# মপান লৈবাক্তা ইন্দিয়নশিংদা চথুবা টেররিষ্ট এটেকশিং এন আই এদা থিগৎপা য়াহন্নবগী বিল পাস তৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৫ (এজেন্সী): নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ)গী মতিক ময়াই হেনগৎহন্নবগী বিল অমা লোক সভাদা ঙসি পাস তৌখ্রে।

লোক সভাদা পাস তৌখিবা নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৯গী মতুং ইন্না মপান লৈবাক্তা লৈবা ইন্দিয়নশিংদা চথুবা টেররিষ্ট এটেক পুম্নমক এন আই এদা থিগৎহনবা য়ারগনি। মেম্বর ২৭৮না বিল অদুবু শৌগৎতুনা ভোট পীখিবদা শুপ্নগী মেম্বর ৬না বিলগী মায়োক্তা ভোট পীখি। ভোট লৌনদ্রিঙৈগী মমাঙদা কোংগ্রেসকী লুচিংবা আধির রঞ্জন চৌধুরিনা হায়খি, ওপোজিসনগী মায়কৈদা লৈরবসু বিল অসি মপুং ফানা শৌগৎনবা ফিরেপ লৌরে।

অদুম ওইনমক ত্রিণামুল কোংগ্রেসকী সৌগৎত রোইনা হাউসকী ফাইনান্সিয়েল বিজিনেস খন্নগদবা মতমদা পুথোরকই হায়বগীদমক বিল অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত সাহনা বিল অসি পুথোরকখিবদা ওপোজিসনগী মেম্বর খরনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। মরু ওইনা এআইএমআইএমগী লুচিংবা অমসু ওইরিবা লোক সভাগী এম পি অসাদ উদ্দিন ও ৱাই সিনা হায়খি মদুদি, বি জে পিগী এম পি খরনা বিল অসিগা মরী লৈননা হাউসতা থমখিবা ৱাফম য়ানিংদে। দি এম কেগী মেম্বর অমনা ৱা ঙংলিঙৈদা রুল্লিংগী মায়কৈদগী অয়েৎপা পীখিবগী থৌওং অদু লৈবাক মচা তাবগী থৌওংনি হায়না লৌবা য়াদে।

নাকল অনীমক্কী ৱারোল তারবা মতুংদা হোম মিনিষ্টর অমিত সাহনা হায়খি, করিগুম্বা বিল অসি পাস তৌদুনা এক্ত ওল্লবদি মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈরিবা ইন্দিয়নশিংদা এটেক চথুরকপা মতমদা এন আই এনা থিগৎপা ঙম্লগনি।

চহী অসিগী ওইনা এন আই এনা লালহৌবগা মরী লৈনবা থৌদোক ২৭২গী কেস রেজিষ্টর তৌখি। ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সি অসিগী মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা লালহৌবগী ইহৌ নমথনবা হোৎনবদা মীপুম খুদিংমক অমত্তা ওইনা খুৎশম্নবা মথৌ তাই হায়না মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম জি কিসন রেদিনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, লৈঙাক্লা প্রধান মন্ত্রি উজৱালা যোজনা চৎনহনখিবদগী নুংশিৎ মোৎপগী চাং চাদা ২০ রোম হন্থরক্তুনা মীওইবদা লায়না পোকহল্লকপা য়াবগী চাং চাদা ২০ হেন্না হন্থহল্লে হায়না য়ুনিয়ন পেট্রোলিয়ম মিনিষ্টর ধর্মেন্দ্র প্রধাননা লোক সভাদা ফোঙদোকখ্রে।

# শগোলশেন নুমিৎতা চীফ মিনিষ্টর ঐচ দি কুমারস্বামীনা হাউসতা পাঙ্গল চাংয়েং পাঙথোক্লগনি



বেঙ্গালুরু, জুলাই ১৫ (এজেন্সী): এম এল এ কয়ামরুম ফম থাদোকখ্রবা মতুংদা কর্নাটকাগী কোংগ্রেস অমসুং জনটা দল সেক্যুলরগী চুংশিন্নবা লৈঙাক্লা মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবগী পান্দমদা পাঙ্গল চাংয়েং পাঙথোক্লগনি।

চীফ মিনিষ্টর ঐচ দি কুমারস্বামীনা শগোলশেন নুমিৎতা এম এল এ অয়াম্বনা লৈঙাক শৌগৎলি হায়বা উৎনবগী পান্দমদা পাঙ্গল চাংয়েং পাঙথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলকপনি। কর্নাটকাগী চুংশিন্নবা লৈঙাক্তা অহোংবা লাকপগী ৱাফম লৈতে হায়না চীফ মিনিষ্টর কুমারস্বামীনা ফোঙদোকখিবা তারবসু কোংগ্রেস, জনটা দল সেক্যুলর অমসুং বি জে পিগী এম এল এশিং তোঙান-তোঙানবা মফমদা কেম্প তৌদুনা লৈনরি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা পাউ মীশিংদা ৱা ঙাংখিবদা কুমারস্বামীনা হায়খি, এসেমব্লীগী লৈমায়দা পাঙ্গল চাংয়েং পাঙথোকপদা চুংশিন্নবা লৈঙাক্লা মায় পাকপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ। কোংগ্রেসকী লুচিংবা সিদারময়ানসু থাজবগী ভোট লৌনবদা শোইদনা মায় পাক্কনি হায়না ফোঙদোকখি। ঙসি অয়ুক বি জে পিনা লৈঙাক্কী মায়োক্তা নো কনফিদেন্স মোসন থাঙ্গৎখিবগা লোয়ননা এসেমব্লীগী লৈমায়দা থাজবগী ভোট লৌবা মথৌ তাই হায়না তকশিনখি।

অমরোমদা, চুংশিন্নবা লৈঙাক্লা ফম থাদোকপগী ফিরেপ লৌখ্রবা এম এল এশিং থেমজিন্নবা হোৎনরি। হৌজিক ফাওবদা জনটা দল সেক্যুলর অমসুং কোংগ্রেসকী এম এল এ ১৬ থম থাদোকখিবগা লোয়ননা ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ অনীসু ফম থাদোকপগী চেরোল পীশিল্লকখ্রবনি। করিগুম্বা এসেমব্লীগী স্পিকরনা এম এলএশিং ফম থাদোকপগী ৱাফম অয়াবা পীখিবা তারবদি মেম্বর ১১৮ লৈরম্বা কোলিয়েসনগী মেম্বর ১০০দা হন্থরগনি।

বি জে পিগী ওইনদি হান্নগী মেম্বর ১০৫না ইন্দিপেন্দন্ট এম এল এঅনীগী মতেং লৌরগা অনৌবা লৈঙাক পায়বা য়াবগী মেম্বর মশিং শুরগনি। স্পিকর রমেস কুমারনা হৌজিক ফাওবা এম এল এশিং ফম থাদোকপগী মতাংদা অয়াবা পীদ্রি। হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা স্পিকরনা সুপ্রিম কোর্টতা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না এম এল এ কয়ামরুম মথংমথং ফম থাদোক্লবা থৌরাং লৌখৎলক্লিবসিগী মতাংদা কুপ্না য়েংশিনখিগনি হায়রি। কনাগুম্বা খরানা নমদুনা ফম থাদোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপ্রা নত্রগা মশাগী অনীংবা অপাম্বা মতুং ইন্না লৌরকপা ফিরেপলা হায়বদু খঙদোক্লবা হোৎনরি।

# লোক সভাদা মোটোর ভেহিকল এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৯ পুথোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৫ (এজেন্সী): কোংগ্রেস অমদি ত্রিণামুল কোংগ্রেসনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরকখ্রবসু লোক সভাদা ঙসি মোটোর ভেহিকল এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৯ পুথোকখ্রে।

মোটোর ভেহিকল এক্ট ১৯৮৮ শেমদোক্লবী মতাংদা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজ জেনরেল (রিটয়ার্দ) ভি কে সিংহনা এমেন্দমেন্ট বিল অসি পুথোরকখিবনি। লম্বীদা খুদোংথিবা থৌদোক থোকহন্দনবগা লোয়ননা পাব্লিক ট্রান্সপোর্ট সিষ্টেম ফগৎহন্নবগী পান্দমদা বিল অসি পুথোরকপনি।

কোংগ্রেস অমসুং ত্রিণামুল কোংগ্রেসকী মেম্বরশিংনা পুখৎলকপা ৱাহংশিংগী পাউখুমদা য়ুনিয়ন ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজ মিনিষ্টর নিতিন গদকারিনা হায়খি, বিল অসিদা ষ্টেট লৈঙাক্তগী মতিক ময়াই পুম্নমক সেন্টরনা পায়শিনবগী ৱাফম য়াওদে। ষ্টেট খুদিংমক্লা এমেন্দমেন্ট বিল অসি ঙাক্লা চৎকদবনি হায়বা ৱাফমসু লৈতে।

লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক তোইনা থোকপগী মতাংদা নিতিন গদকারিনা হায়খি, চহী খুদিংগী লৈবাক অসিদা মীওই লাখ ১.৫ রোম এক্সিদেন্ট থোকপদা শীরি। মমাঙগী চহীশিংগা য়েংনবদা এক্সিদেন্ট থোকপগী চাং হন্থরকপা তারবসু লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক অমত্তা থোকহন্দনবা থৌরাং লৌখৎপা ঙমদ্রি। তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট ১৮গী ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টরশিং, লোয়ননা ষ্টেন্দিং কম্মিতি অমদি জোইন্ট সিলেক্ট কম্মিতিগা কুপ্না তান্নরবা মতুংদা এমেন্দমেন্ট বিল অসি পুথোরকপনি হায়নসু মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# রাজস্থানগী উদয়পুরদা মীয়াম্না ইরাং হৌরক্তুনা কা হেনবা থৌওং চথুরকপদা পুলিস পার্সনেল কয়া মরুম অশোক অপন নংলে



উদয়পুর, জুলাই ১৫ (এজেন্সী): মী হাৎপগী কেস অমগা মরী লৈননা চথুখিবা ইনভেষ্টিগেসনদা পেন্দবা ফোঙদোক্তুনা রাজস্থানগী উদয়পুরদা মীয়াম্না লম্বী থিংবগী খোঙজং চঙশিনখ্রে।

পতেল ফুরুপকী মীওইশিংনা লম্বী থিবগা লোয়ননা গাড়ি মৈ থাবা অমসুং নুং লংবনচিংবা থৌওং চথুরকপদা নুপী কনষ্টেবল য়াওনা পুলিস পার্সনেল কয়ামরুম অশোক অপন নংলে হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

রিপোর্ট অমনা হায়, উদয়পুর দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদগী কিলোমিটর ৪০ লাপ্না লৈবা জৱার এরিয়াদা মীয়াম্না হৌরক্লিবা ইহৌদা পুলিস ইন্সপেক্টর অমা মকোক্তা শোকপদগী লায়কন্নখ্রে। প্রোটেষ্টরশিংনা রোদ ৱেগী বস অনী অমসুং পুলিসকী গাড়ি অনী য়াওনা লম্বীদা থৌরকপা গাড়ি কয়ামরুম অমাং অতা থোকহনখি।

রমেস পতেল কৌবা মীওই অমা শীখিবগী মতাংদা পুলিসনা চথুরকপা ইনভেষ্টিগেসনদা পেন্দবা ফোঙদোক্তুনা মীয়ামগী খোঙজং চঙশিল্লকখিবনি। উদয়পুরগী ইন্সপেক্টর জেনরেল জেনরেল ওফ পুলিস বিনিতা থাকুরনা হায়খি মদুদি, খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মীয়াম্না মফম কয়াদা লম্বী থিংখিবগা লোয়ননা পুলিসকী গাড়িদসু নুং লংশিল্লকখি। লম্বীদা লাকপা গাড়ি কয়া খাল্লগা মৈ থাবগী থৌওংসু চথুখি।

পনবা য়াবদি, জুলাই ১২দা পতেল ফুরুপকী মীওই অমা উমংগী এরিয়াদা শীদুনা লৈরম্বগী ৱাহৌদা পতেল ফুরুপকী অকনবা ইহৌ অমা চঙশিল্লকখিবনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসনা চীংনবা মীওই অনী ৱাহং পাউহং চথুরি।

# মীওই অমনা কন্সটিট্যুয়েন্সি অনীদা মীরেপ ওইবা য়াহন্দনবগী মতাংদা থাঙ্গৎলকপা পিটিসন সুপ্রিম কোর্টনা হিয়রিং চথুরগনি



ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৫ (এজেন্সী): মীওই অমনা এসেমব্লী নত্রগা লোক সভা কন্সটিট্যুয়েন্সি অনীদা মীরেপ ওইবা য়াহন্দনবগী মতাংদা থাঙ্গৎলকপা পিটিসন অমা সুপ্রিম কোর্টনা হিয়রিং চথুরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ভরতিয়া জনটা পার্টি (বি জে পি)গী লুচিংবা অশ্বিনি উপধ্যায়না ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন চীফ জষ্টিস রঞ্জন গোগোইনা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা হিয়রিং চথুরগনি। রেপ্রজেন্টেসন ওফ পিপল এক্টকী সেক্সন ৩৩ (৭)কী মখাদা মীওই অমনা কন্সটিট্যুয়েন্সি অনীদা মীরেপ ওইবা য়াহল্লোইদবনি হায়না পিটিসন অমা ফাইল তৌরকখিবনি।

মীখলদা মীওই অমনা কন্সটিট্যুয়েন্সি মখত্তদা মীরেপ ওইহনবগী ৱাফম ইলেক্সন কম্মিসননসু শৌগৎপা ফোঙদোকখ্রবনি। মমাঙদা কম্মিসননা ফাইল তৌরকখিবা এফিদেবিট অমনা হায়খি মদুদি, কনাগুম্বা মীওই অমনা কন্সটিট্যুয়েন্সি অনীদা মীরেপ ওইরবা মতুংদা কন্সটিট্যুয়েন্সি অমা থাদোক্লম্বগী থৌদোক অসি মীচম মীয়ামদা নমথাক তৌবনি হায়না লৌফম থোকই। কন্সটিট্যুয়েন্সি অনীমক্তা মায় পাক্লবা মীওই অমনা থাদোক্লবা কন্সটিট্যুয়েন্সিদা নৌনা অমুক মীখল পাঙথোকপদা য়াল্লবা শেনফম অমা অরেম্বদা চাদিং তৌরি হায়নসু কম্মিসননা ফোঙদোকখি।

মীরেপ অমদা থাদোক্লম্বা কন্সটিট্যুয়েন্সিদা মীখল পাঙথোকপদা চংবা শেনফম পুম্নমক হায়রিবা মীওই অসিদা পুথোকহনগদবনি হায়নসু কম্মিসননা ফোঙদোকখি।

# কলরাজ মিস্রাবু হিমাচল প্রদেশকী গভর্ণর ওইনা খনখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৫ (এজেন্সী): ভারতিয়া জনটা পার্টি (বি জে পি)গী সিনিয়র লিদর কলরাজ মিস্রানা হিমাচল প্রদেশকী গভর্ণর ওইনা খনখ্রে।

হিমাচল প্রদেশকী গভর্ণর অচারিয়া দেবব্রতপু গুজরাটকী গভর্ণর ওইনা ট্রান্সফ তৌখ্রবা মতুংদা কলরাজ মিস্রাবু ফম অসি পায়নবা খনখিবনি। রাষ্ট্রপতি ভবনদগী থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না কলরাজ মিস্রা অমসুং অচারিয়া দেবব্রতনা মশা মশাগী থৌপুবা হেক হৌবা নুমিৎতগী এপোইন্টমেন্ট ওর্দর অসি চৎনবা হৌগনি হায়রি।

মমাঙগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্তা মাইক্রো, স্মোল এন্দ মিদিয়ম ইন্টরপ্রাইজেসকী মিনিষ্টর ওইরম্বা কলরাজ মিস্রাদা মশাগী চহী ৭৮ শুরকপা মরম্না কুমজা ২০১৭তা মিনিষ্টরগী ফম থাদোকখি। মশাগী চহী ৭৫ হেল্লবা মীওইশিং পোলিটিক্সতা মরু ওইবা থৌদাং লৌহন্দনবা পার্টিনা লৌখিবা ৱারেপ মতুং ইন্না হন্দক্কী লোক সভা মীখলদা মহাক মীরেপ ওইখিদে। অমরোমদা মশাগী চহী ৬০ শুরবা দেবব্রতবু কুমজা ২০১৫দা হিমাচল প্রদেশকী গভর্ণর ওইনা খনবা লৈখ্রবনি। দেববর্তনা ও পি কোহলিগী মহুৎতা গুজরাটকী গভর্ণর ওইরগনি।

# ভোটর আই দি কার্দ অমদি আধার লিঙ্ক তৌহনবগী মতাংদা পিটিসন ফাইল তৌরকখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৫ (এজেন্সী): মীপুম খুদিংমক্কী ভোটর আই দি কার্দ অমদি আধার নম্বর লিঙ্ক তৌহন্নবা ইলেক্সন কম্মিসনদা য়াথং পীবিয়ু হায়না দিল্লি হায় কোর্টতা পীটিসন অমা ফাইল তৌরকখ্রে।

কনাগুম্বা মীওই অমনা অরানবা মওংদা ভোট থাদবা অমসুং অতোপ্পা মীগী মহুৎ শীনবা য়াহন্দনবগী পান্দমদা তঙাইফদনা আধারদা য়ুম্ফম ওইরগা ভোর্ট থাদবগী থৌওং চথুহনগদবনি হায়না বি জে পিগী মরু ওইবা লুচিংবা অমসু ওইরিবা সিনিয়র এদভোকেট অশ্বিনি উপধ্যায়না পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমা ফাইল তৌরকখিবনি।

হায়কোর্টতা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন অদুনা হায়খি মদুদি কনাগুম্বা মীওই অমনা মশাগী ভোটর আই দি অমসুং আধার নম্বর লিঙ্ক তৌহনবা তারবদি মীখলদা অরানবা থৌওং অমত্তা চথুবা ঙম্লরোই। করিগুম্বা মীওই অমনা অতোপ্পা মীগী মহুৎ শীল্লগা ভোট থাদনবা হোৎনরকপা তারবসু ইরাই লাইনা ফাবা ঙম্লগনি হায়নসু পি আই এল অদুনা ফোঙদোকখি। আধারদা য়ুম্ফম ওইবা ভোটিং সিষ্টেম চৎনহনবগী মতাংদা বি জে পিগী সিনিয়র লিদর অশ্বিনি উপধ্যয়না হায়খি, ভোট থাদবা লাকপা মীওই খুদিংমক্কী ফিঙ্গর প্রিন্ট লৌরগা মাংজৌননা রেকোর্দতা লৈবা ফিঙ্গর প্রিন্টকা চান্নব্রা হায়না য়েংবা মথৌ তাই। অতোপ্পা পিটিসন অমদা মহাক্না মীপুম খুদিংমক্কী মুভেবল এন্দ ইমুভেবল প্রোপর্টিগী দোক্যুমেন্টকা আধার নম্বরগা লিঙ্ক তৌহনগদবনি হায়না ৱাকৎখি।

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST-PATSOI**

**Ref :- Mut. Case No. 595/SDC/IW (P) of 2019**

1) Shri/Smt. Chongtham (O) Bilashini Devi W/o (L) Ch. Rajnikanta Singh of Changangei Mayai Leikai.
2) Shri Chongtham Rishikanta Singh S/o (L) Rajnikanta of -do-
3) -do- Robikanta Singh S/o (L) -do- of -do- ...*Petitioners*

-Vrs-

(Late) Chongtham Rajnikanta Singh S/o (L) Ch. Bijoy Singh of Changangei Mayai Leikai. ...O.P. Party

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE**

15/07/2019

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি ঈ ও পাৎশোই তহশিলগী খুল নং (৭৮-চঙাঙ্গৈ) ৭৮ চঙাঙ্গৈগী পাট্টা নং ৭৮/৩১১ (অরিবা), ৪৭/১৪৪১ (অনৌবা) গী দাগ নং ২০০/৫৬২গী পোইন্ট ০.৯৮৭৫০ একর চাউবা অঙনফৌ লৌফম অসিগা পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী স্বত্তনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা-মশু, শাগৈ-নাতে কনাগুম্বনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২৩/০৭/২০১৯ ইংগী অয়ূক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কোর্টকী হুকুম মখা চথরগনি।

HL-P/3404/16 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Imphal West, Patsoi

# বিহারগী ঈচাওদা মীওই ৪ শীরে, লাখ ১৮ অৱাবা মায়োক্লরে চীফ মিনিষ্টর নিতিস কুমারনা ঈচাও থোক্লবা মফমশিং য়েংশিনখ্রে



পটনা, জুলাই ১৫ (এজেন্সী): বিহারগী দিষ্ট্রিক্ট ৯দা ঈচাওনা মরম ওইরগা মীওই লাখ ১৮ রোম অৱাবা মায়োক্লরে। ঈচাওগা মরী লৈনবা থৌদোক্তা মীওই ৪ শীরে হায়না ওফিসল রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট দিপার্টমেন্টকী রিপোর্ট অমনা হায়, কেটচমেন্ট এরিয়াদা নোং কন্না চুবদগী মরু ওইবা তুরেল ৫ খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থাক্তগী হেন্না ঈমায় ৱাংখৎলক্লে। ষ্টেটকী মফম অয়াম্বা ঈশিং থুমজিনখ্রবা মতুং চীফ মিনিষ্টর নিতিস কুমারনা ঈচাওগী অৱাবা নংলবা মফমশিং নোংথক্তগী য়েংশিনখি।

মীওই ৪ শীখিবগী মনুংদা অরারিয়াদা মীওই অনী অমসুং সিওহর অমদি কিসনগঞ্জ দিষ্ট্রিক্টতা মীওই অমমম শীখিবনি। সিওহর-সিতামর্হি, ইষ্ট চম্পরন, মধুবানি, অরারিয়া, কিসনগঞ্জ, সুপোল, দরভঙ্গ অমসুং মুজাফরপুর দিষ্ট্রিক্টকী ব্লোক ৫৫ ঈচাও থোকপদগী মীওই ১৭,৯৬,৩৫৩না অৱাবা মায়োক্লরে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

খ্বাইদগী ফিভম থিনা শোক্লবা সিতামাহি দিষ্ট্রিক্টতা মীওই লাখ ১১ হন্না ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লরি। অরারিয়া দিষ্ট্রিক্টতনা মীওই লাখ ৫ অৱাবা তারে হায়রি।

ঈচাও থোক্লবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স অমসুং ষ্টেট দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্সকী টিম ১৩না মী কনবা অমসুং মতেং পাঙবগী থবক পায়খৎলে। ওথোরিটিশিংনা তোঙান-তোঙানবা মফমদা রিলিফ কেম্প ১৫২ হাংদোক্তুনা মীওই ৪৫,০৫৩ চংজফম পীরি। মীয়ামগী চান-থক্লবা শেম শানবগীদমক কম্যুনিটি কিটচন ২৫১সু হাংদোক্লে হায়রি।

হৌখিবা নুমিৎ খরনি নোং কন্না চুখিবদগী বিহারদা ঈচাও থোকখ্রবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টর নিতিস কুমারনা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা কৌদুনা লৌখৎপা য়াবা থৌরাংশিংগী মতাংদা কুপ্না খন্নখি। তুংদা মহাক্লা দরভঙ্গ, মধুবানি, সিওহর, সিতামারহি অমসুং ইষ্ট চম্পরন দিষ্ট্রিক্টকী ফিভম নোংথক্তগী য়েংশিনখি।

চীফ মিনিষ্টরগী য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা ৱাটর রিছোর্সেস মিনিষ্টর সঞ্জয় ঝা, চীফ সেক্রেটরী দিপক কুমার, এদিস্নেল চীফ সেক্রেটরী (ৱার্টর রিছোর্সেস দিপার্টমেন্ট) অরুন কুমার অমসুং দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট দিপার্টমেন্টকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি প্রতয়া অমিতসু লোয়নখি।

অৱাংবা থাক্কী মীফমদা শরুক য়াখিবা ওফিসল পুম্নমক্তা চীফ মিনিষ্টরনা অৱাবা তারবা মীয়ামগী পাঙবা য়াবা মতেং পাঙনবা খঙহনখি। কা হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মফমদা রিলিফ এন্দ রেস্ক্যু ওপরসন চথনবগী মতাংদসু চীফ মিনিষ্টরনা মরী লৈনবা ওফিসলশিংদা খঙহনখি হায়রি।

ꯑꯍꯥꯏꯕꯥ

**B.SC NURSING ADMISSION OPEN 2019-2020**

**at Gitam University, Visakhapatnam**

ADMISSION WITHOUT ENTRANCE TEST FOR MANIPUR STUDENTS

- Tution Fees Rs 30,000/- per year
- Food & Accommodation Rs. 45,000/- per year

**Eligibility Criteria : 10+2, PCB 50%**

**(only female candidate)**

**Top deemed University having own medical college & hospital**

**ADMISSION OPEN FOR B.Sc. Nursing & GNM 2019-20 at Dr. PSIMS & RF Vijayawada A.P.**

**B.Sc Nursing** : Fees Rs. 45,000/- p.a. Hostel Rs. 4000/- p.a.

***Eligibility - 10+2 PCB 45% (Aggregate)***

**GNM :** Rs 15000/- p.a. Hostel Rs 3000/- p.a.

***Eligibility - 10+2 passed any stream 40%***

Mess Fee : Rs. 1,800/- per month (for both B.Sc. Nursing & GNM)

One of the best Medical College in South India, own hospital having 850 beded inside the campus. (Recognised by INC & affiliated to Dr. NTR University

**EDUCARE ZONE** Babupara, Near BOSEM, Imphal

# +91 6009062261, 8794026277

HL-P/3874/2-30(alt.) www.gitam.edu www.drpinnamanenisimsrf.edu.in